ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯸ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওক্টোবর ১২, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৯৮ শুবা মশীং

# লালহৌবগা ৱারী শানবা

## ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লগদি তুংগী মীরোলনা শোন্নহৌগনি

**মণিপুরনা** ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী মরক্তা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈনিংবা অমসুং ইন্দিয়াদা তিন্নীংবা অনী থোক্লা লৈবা উখি। বৃটিশনা নীংখা তম্বা পীরল্লবা তুংদা লৈঙাক পায়হৌবা ইন্দিয়াগী মশক নাইবা মীওই কয়ানা লৈবাক অসিগী লমখৈ চাওথোক্লনবা অমসুং মরা চেৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা অখন্নবা থৌরাং তৌরকখি। থৌরাং অদুগী মখাদা নিংথৌ পানবা লৈবাক কয়ামরুম নমদুনা নৎত্রগা মশানা য়াহন্দুনা ইন্দিয়াদা তিলহনখি। মণিপুরসু অদুমঙাই মশানা য়ানিংবা নৎত্রগা য়ানিংদবা থিদনা মতমদুগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিল মখাদা ইন্দিয়াদা তিলহন্নবা হেক ঙম্বমখৈ হোৎনখি হায়বসি হৌজিক্তি মীয়াম্না খঙনরে। মতম অদুদা ফোঙনা থোক্তুনা ঐখোয় নীং তম্বা মণিপুর ওইনা লৈজগে হায়বা ৱাকৎ থাঙ্গৎপা থেংনখিদে। মদুগী মহুৎতা ইন্দিয়াদা তিনবগী হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোকপা, থাবল চোংদুনা তরাম্না ওকপীনবা মীওই খরমখৈদি উবা ফংখি। মদুগী মতুং তারকপদগীদি ঐখোয় ইনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈগনি হায়বগী ৱাখল্লোন পোকপা নহারোল কয়ামরুম থোরকখি অমসুং লময়ানবা ইরাবতকী লমজিং মখাদা খূৎলায় পায়বা লালহৌ লাকখি। লময়ানবা ইরাবতনা খূৎলায় পায়বগী চৎখিবা লালহৌ অদু কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ঈহৌনি হায়বা কাঙবু অমনা লৌজরগসু কাঙবু অমনদি মনিং মখা তম্না লৈবা পাম্বা মীয়ামগী লুচিংবনি হায়না লৌনরিবা অসিসু অরানবা অমত্তা য়াওরোই হায়না খল্লি। মশাগী কন্সটিট্যুসন শেমদুনা, লৈঙাক অমগী চপ চাবা মথৌ-মঙম পায়বা হৌরবা তুংদা নিংথৌবু শিল্লোংদা হাউস এরেষ্ট তৌরগা মর্জর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনহনখিবা চুমদবা থৌওংশিং অদুনা ঙসিদি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনবা নত্তে, নমদুনা মণিপুর লৌশিনখিবনি হায়বগী ৱাহন্থোক পীদুনা খূৎলায় পায়বা লালহৌলূপ কয়ামরুম থোরক্লে। নন-ষ্টেট এক্টর অমসুং ষ্টেট এক্টর অনীগী মরক্তা খূৎলায় পায়দুনা মুক্ত রকপদগী মণিপুরদা মীওই লিশিং কয়াগী মথক্তা শিখ্রে, কয়া অমনা থিবা খঙহনখিদ্রে। লাম্লীগী মীওৎ-মীনৈদা মরূ-ময়াং কেল্লবা মীওই কয়া হিংলি। চমজরবী নুপী কয়া শরাক তম্বীখ্রে। নাকল অনীগী মুক্রুবদা মরাল লৈতবা মীওই কয়াসু মরাল পীশিল্লগা, ৱায়েল চৎথদনা হাৎতোকপীখ্রে। অসুম্না শাংলবা চহী কয়া অমা মণিপুরগী মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লি। মমা ওইবী কয়ানা মচাশিং হল্লকখিগনি হায়দুনা মখূৎতা মৈরা পায়রগা নুমিদাং খূদিংগী ঙাইরি।

হন্দক্তা প্রেস ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়া (পি টি আই)দা পীবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপশিংগা ৱারী শানদুনা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরক্লনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম পাউচেশিংদা ফোঙনরকপা থেংনরি। ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা খূৎলায় পায়বা লালহৌলূপ ৩০ হেন্না লৈবা মরম্না অমব্রেল্লা অমগী মখাদা ৱারী শানবা পাম্মী, তুং কোয়না চৎনগদবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি হায়বা লৈরগদি মহাক্লা পায়রিবা চীফ মিনিষ্টরগী ফম অসি ফাওবা শীন্নথোকপা ঙমগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখিবা অসি মমাঙথক্তা পানখিবা লৈঙাক হায়বদি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনসু কোমা সেমিকোলোন অমত্তা চিংথদবমখৈ হায়রম্লবা ৱাফমনি। চীন্দদি লালহৌবশিংগা ৱারী শানগনি, পোলিটিকেল দাইলোগ তৌনবা পাম্মী, ফিল্লর থারি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবসু ৱারী শানবা য়াবা চুনবা মখলগী ফীভম অমত্তা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা তৌরমদে। থাঙ্গৈশেংনা হায়রুরগদি খূৎলায় পায়দুনা মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা দিমান্দ তৌরিবা লালহৌলূপশিং অসিগা ৱারী শাননবগীদমক ইন্টরলোক্যুটর হাপ্পা য়াই। ঈং-তপ্পগী ৱারী শানবা য়ারবখক্তদা ইন্টরলোক্যুটর হাপকদবনি হায়বা ৱাখল্লোন লৈরগদি মদু অরানবা ওইগনি। ৱারী শাননবগী চুনবা ফীভম অমা শেমগৎননবা ইন্টরলোক্যুটরনা মনুং-মপান নাইনা থবক তৌবা য়াই। মঙোন্দা ফ্রী হেন্দ পীদুনা লালহৌবশিংগী লুচিংবশিং উনদুনা ৱারী শানবগী তঙাইফদবশিং অদু ফোঙদোকপা ঙমদ্রগসু পাউথাং ওইনা থবক তৌবা য়াই। পুং ২৪ চুপ্না থবক তৌরগদি মতম খরগী মনুংদা ৱারী শানবা য়াবগী ফীভম অমা শেমগৎলকপা ঙম্বসু য়াই। মদু নৎতনা চীন খক্তদা ৱা হায়বা অদুগা থবক্লা য়াওদ্রগদি লালহৌলূপশিংগা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকপগী ৱাখল্লোনদা মঙদা মঙ্গ্রা তানবা ওইনা থোক্কনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, শাংলবা লালহৌবগী ৱাথোক অসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অখন্ননা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎলগা ৱারী শানবগী থাক্তা পুরকপা ঙম্লগদি ষ্টেট অসিদা তংদু-লৈতাদবা ফীভমশিং কোকহনবা ঙমগনি। মসিগীদমক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনবু তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীয়াম্না শোন্নহৌগনি। তৌবতদি ৱারী শাননবা হোৎনরি হায়বা পাউজেল পীবগী মহুৎতা ৱারী শানবগী ওইথোকপা লৈরে হায়বরোমদা লাক্লবা হোৎনহন্নীংই। য়ারগদি খূৎলায় পায়বা লালহৌবশিংদা নাকল নাম্মগী ওইবা সিজ ফায়র লাউথোকপা য়াব্রা হায়বদুসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা তানহন্নীংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মরী লৈনবশিংগী মিৎয়েং চিংশিঞ্জরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মমাঙথক্তা** অহলশিংবু নুংশিবীবা ইচাশিংনা পাউচেদা কয়ারক হন্না ওল্ড এজ পেন্সনগী অৱাৎপা শেনফম পীথোক্লবগী মতাংদা কয়ারক হন্না ইখ্রে অদুবু হোইনি-মাইনি করিমত্তা হায়দনা তুমিন্না লৈথোকপীখ্রে। মমাঙদা হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী সেপ্তেম্বর থাদগী পারগা কুমজা ২০১৭কী সেপ্তেম্বর থা ফাওবদা থা ২৫শুরে। য়াওশঙ থাদা পীবিরক্দ্রা হায়না খল্লম্বনি, অদুদসু পীবিদ্রে। হৌজিক নিঙোল চাক্লৌবা হয়েং হংচিত্তা ঙাইশিল্লক্লবা অসিদসু পীবিরোইদৌরিব্রা? লৈঙাক্কী থবক তৌরমদুনা পেন্সন ফংবসু নত্তা, মচা পিবাদি য়াওজদা, ময়ূম পানখিবা মচা নিঙোলবু চাক্তি কৌজনীং, পৈশাদি লৈত, মমিত্তা মপি তাবমখৈ খাঙলিবা অহলশিংবু মতেং পাঙবীরবদি মহয় ওইগনি। মমাঙদা ঈশিং ঈচাউগী ৱাবনে, অৱাবগী মথক্তা অৱাবা ওইরে হায়বসি খরদং খন্থবীয়ু। লৈবাক্কী মপি মপানি, পীবিগে হায়না খনবীরবদি করিসু লৈতবনি। অমদগী অমদগী মিন্স অমা তৌবিরগা য়াবা ঙাক্তনি। ষ্টেটকীদি চহী অনীগী পীখ্রবনিনা খরমখৈদি ফরমগনি। অদুবু সেন্তরগী ওইবা ইন্দিরা গান্ধী ওল্ড এজ পেন্সনদি থা ৩০গী মনুংদা থা ৫ খক্কী পীবিরি। হৌজিক থা ২৫গী পীবিগদবা ৱাৎলিবনি। পীবিগদবা মপী-মপা ওইবশিংনা য়ারগদি নিঙোল চাক্লৌবা নংনবা ওল্ড এজ পেন্সন পীবিনবা শিনবীয়ু। মসিনা পূম্নমক্কী য়াইফবসু ওইগনি।

কনানবু শাওনিংলোইদৌরিনো, থা ২৫ শুরবা ফাওবা তুমিন্না লৈশিনবীরিবসিবো। পূন্না পারগদি থা ৩০ শুরবনি। মসিসু কুমজা ২০১৫গী মার্চ থা য়াওদননি। থা অসুক শুরে, অসুক ৱাৎলি হায়বসি হায়শিন্নবা নত্তে, পাসবুক্তসু ইরিবনি। মমাঙদা পীবিখিবদো কুমজা ২০১৫গী ফেব্রুৱারী থাদা পীবিখিবনি। মতুংদনা মার্চ থা কাল্লম্লগা এপ্রিলদগী ওগষ্ট থা ফাওবগী লুপা লিশীং অমখক পীবিখিবনি। থা কয়াগী দ্যু লৈবগে হায়বদুসু কূপ্না য়েংশিলহঞ্জনীংই। বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবনিনা করপসন মুখৎলনিদি হায়। মসিদসু নত্তনা চেঙ য়েনবসু মশীং শুই-শুদে লাউনৈ।

অরোইবদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি, অহল ওইরবশিংবু নুংশিবীদুনা পীথোক্কদবা ৱাৎলিবা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম নিঙোল চাক্লৌবা নংনবা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীদুনা পীথোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - থৌবুরেম্বম খুমনচা, শগোলবন্দ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১। অরিবা মণিপুরী পাউরৌশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
   (ক) ঙন্না তাবা শেন্দাংনা চেঙ মচং চায়।
   (খ) চৈশুসু তেক্তনবা, লিনসু শিনবা।
২। জি সি তোংব্রাগী দ্রামা অমনা মণিপুরদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শান্নবা লীলা ওইরি। করি দ্রামানো?
৩। ''পূম্নিল নিল্লি, পূন্নাঙ লাঙই চীংমায়দু/ ...মচী লেঙদে চীংমায়দি।'' পরেংশিংসি লমাবম বীরমনিগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা ৱারীমচানো?
৪। ''খম্বতোন! নঙনা মায়থীরিবসে করম্বা লানফমদনো?'' পরেংসিনা বেনুবালাগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারী মচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। হিন্দিগী 'কম্বন'বু মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শান্নবগীদমক মথুম মরাং হৌরিবা ষ্টেট

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**চহী ১৭** অমসুং মখাদা লৈবা নুপামচাশিংনা শান্নবা ফুটবোলগী ৱর্ল্ড কপ, ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেসনল ফুটবোল এসোসিয়েসন (ফিফা) গী মিৎয়েংখাদা, ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন'না শিন-লাঙদুনা পাঙথোক্লি। ইন্দিয়া পূম্বা মথুম-মরাং হৌরি। হেন্না মথুম-মরাং হৌরমগদবা ষ্টেটশিংদি - কর্ণাটাকা, কেরলা, পঞ্জাব, মণিপুর, মিজোরাম, মহারাষ্ট্র, সিক্কিম অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলনি। মরমদি, ইন্দিয়াবু রিপ্রজেন্ট তৌগদৌরিবা প্লেয়র ২১ খনগৎখিবদু ষ্টেট নিপান (৮) সিদগীনি - কেরলা, মিজোরাম অমদি সিক্কিমদগী প্লেয়র অমমম, কর্টাটাকা অমদি মহারাষ্ট্রদগী অনী/অনী, পঞ্জাব অমদি নোংচুপ বেঙ্গলদগী অহুম/অহুমনি। স্পোর্টসকী পৱার হাওসনিদি হায়রিবা, শান্নরোয়বু খ্বাইদই মীরায়বীবা মণিপুর কৌবা পিকক্রু পীকপা ষ্টেটসিগী ময়োল ওইবা তম্পাক লমদুদগী প্লেয়র নিপান (৮)! মখোয় নিপানগী মিংদু অমুক্তং নীংশিংসি - গোলকিপর 'ধিরজ সিংহ মোইরাংথেম'; দিফেন্দরশিং 'বোরিস সিংহ থাংজম', 'সুরেস সিংহ ৱাংজম'; মিদফিল্ডরশিং 'খুমন্থেম নোংথোইঙানবা মীতৈ'; অমরজিৎ সিংহ কিয়াম (কেপ্তেন); জেক্সন সিংহ থৌনাউজম; নোংদম্বা নাওরেম অমদি মহম্মদ সাহজহান। ফুটবোল্লর ওইনা হৌরকখিবনি হায়না মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা চাউথোকচরিবা ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টর অমদি স্পোর্টস মিনিষ্টর! ৱাফম অমত্তং হঙ্গৎননীংই - মখোয় নিপান অসিনা ঙসিগী থাক অসি য়ৌনা কারকপদা মণিপুরগী য়ুথ এফ্যেরস অমসুং স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অসিনা করি থৌদাং য়ারকখিবগে? করি মতেং পীরকখিবগে? নৌনা অমুক্তং থিগৎসি। করিগুম্বা তাঙ্কক অমদা করিগুম্বা মতেং অমত্তং পীখিরম্বা থোক্লবা, অদুদই হেনবা মতেং অমা পীনবা থৌরাং লৈতবরা? ঐনা খঙজবা থাক্তদি, প্লেয়র মশা মশানা, মাগী মাগী ক্লব অমদি এসোসিয়েসনগী মপান্দগী নেসনল, এসিয়ন অমদি ইন্টরনেসনল থাক্তা শরুক য়ারুবা টুর্নামেন্টশিংগী সার্টিফিকেট কোপি পীশিল্লগা 'স্পোর্টস ইন্সেন্টিব' হায়দুনা শেনফম খরা পীবা অসি নত্তনা, প্লেয়রশিংগী পার্ফোমেন্স হেনগৎহন্নবা, করিগুম্বা মখলগী সপোর্ট সিষ্টেম অমা দিপার্টমেন্ট'সিদা লৈতে। শেম্নবসু হোৎনদে। ষ্টেটকী স্পোর্টস পোলিসিদসু য়াওদে, ঐদি ঙকই, শান্নরোয়গী য়াইফ-থৌশিল অমত্তা লৈতবা লমসিদা, রাবন মকোক অমা কল্লগা অমা চোঙখৎলকপগুম, মতীং লৈরবা শান্নরোয় কয়া অমগী মথঙদা অমা থোরক্লিবা করম্না? থোরক্লিবা শান্নরোয়শিংসু অয়াম্বনা মীতৈ হায়বা ফুরুপসিগী মীওইশিংনা অয়াম্বনি। মসিনা করি মরমদগী? হায়রকপা য়াই কনাগুম্বনা - 'স্পোর্টস ফেসিলিটি অমদি মরুওইবা ত্রেনিং সেন্তর পূম্নমক্তি ইম্ফাল ময়োলদা লৈবননি'। তাবদা চুম্বা মানবনি, ৱাফম অসি অরানবনি। ইম্ফাল ময়োন্দা ত্রেনিং সেন্তর লৈর'সু ওলেম্পিক অমদি নন-ওলেম্পিক মশান্না মখল কয়াসিদা মিংচৎ-উরোং খিল্লিবা, মনা মথুম ফংলিবা, ষ্টেটকী মায় পুরক্লিবা শান্নরোয় কয়া অসিদি সহর ময়োলদগী অমত্তসু য়াওদে হায়বা য়ারিবনি। অর্বান লাইফ'তা হৈরবা, কনভেন্ট স্কুলদা তম্লকপা মমা-মপা ওইবশিং-মচা মশু অমত্তা শান্নরোয় ওইনা শেম্নিংদে, দোক্তর, এঞ্জিনিয়র তম্বগী স্পোর্টস কোটা লৌনবা, সার্টিফিকেট অমা লৌরগা থবক্কী কোটা ফংনবা, মতম লেন্ন' শান্নবা - অদুগুম্বা খরদি থোক্লকপরা!

ৱারেংজরিবা ঐহাক্কী কোল্লম অসিমক্তদা কয়ারক হন্না নৈনখ্রে - মণিপুরগী শান্নরোয়শিং সব-জুনিয়র, কেদেট অমদি জুনিয়র লেবেল ফাওবদি অয়াম্বা স্পোর্টস ইভেন্ট'তা মণিপুর মচাশিংনা দোমিনেট তৌরগা, সেনিয়র লেবেল য়ৌরকপদা, ইন্টরনেসনল লেবেল য়ৌরকপদা করিগী পোপ পোপ কেল্লিবা? মরমদুসু খঙই পূম্নমক্না - মখোয়না শান্নরোয় ওইরকখিবা, হিংনবগী পাম্বৈ ওইবা থবক অমা ফংনবনি। থবক ফংবা নুমিত্তা, শান্নরোয়' - পুন্সি লোইশিনবা। নৎত্রগনা, চাক চরা অনী পীরিবা শিনফম ওইবনা, চাখিবা চাক্তু তুম্নবা, শাজেল ওইনা শান্নবা, থবক ফংহৌদবা শান্নরোয় ময়াম অদুনা, হৌখ্রবা মতম নীংশিংলগা নুংঙাইনবা, নোংমগী পুক থলহনবা শিনফম অমা পায়রগা, নৎত্রগা ওইগী লমদাং ওইবী পুন্সি খোঙলোয় অদুগী মপাল তাংনা হিংলগা, মশানা পামজনা শান্নরম্বা 'শান্নবা' হায়বা শিনফম অদু চৈদুনা পুন্সি লেনখিবা।

ঙসিগী কোল্লম অসিদা, মরুওইবা ৱাফম অমখক পুথোকচনীংলুই মীয়ামদা - স্পোর্টসকী পৱার হাওস ওইবা ষ্টেটসিদা স্পোর্টস করম্না হিংহনগদগে?

ৱাকোই অমুক শু'গুমসি, দাইরেক্ট হেক্তা হায়নসি। শান্নরোয় অমনা, মানা পামজবা মশান্নদুদা পন্দোল লোম্না কানবা, মশান্না অদুগী স্পোর্টস এসোসিয়েসন (ষ্টেট অমদি নেসনল) থাদোকপা য়াদ্রবা মপাঙনি। প্লেয়র অমবু মালেমগী থাক্তা, ইন্টরনেসনল অমদি ওলেম্পিক্কী থাক্তা ইনখৎপা হায়বসি এসোসিয়েসনশিংদুগী মথৌনি, তৌদুনসু লাক্লি। অসিগুম্বা এসোসিএসনশিংগা 'মণিপুর ষ্টেট গভর্ণমেন্ট'কা, কদায়দা-করম্বা মরী লৈনবা? খ্বাইদগী কূপ্না নৈনগদবা, মরুওইবা এরিয়াদু মসিনি। করম্বা নুমিৎ থাদা, করম্বা অখন্নবা নুমিত্তা স্পোর্টস মিনিষ্টর নৎত্রগা দিরেক্টর'না ষ্টেট লেবেল স্পোর্টস এসোসিয়েসনশিংগী সেক্রেটেরি/প্রসিদেন্ট'কা ৱা-তানবা য়াওখ্রবগে? করম্বা পোলিসি মেট্টর'দা এসোসিয়েসন-ওফিস-বিয়াররশিংবু কৈদৌঙৈ কৌদুনা খন্নখ্রবগে? স্পোর্টস এসোসিয়েসন হায়বসি প্রোফিৎ-মেকিং-ওর্গনাইজেসন অমা নত্তে, শান্নরোয় নত্তবা প্রমোটরশিংনা কথোকপতনা মাঙওইনরগা শান্নরোয়শিংবু খূৎশম্নরগা মালেমগী চায়নপুংদুদা লমজিংদুনা পুরিবনি। পজেঙ ফিরাল থেৎলকপা, লাক্ষ-ক্রোরগী শেনফমনা শান্নরোয়গী ফুরিৎখাউ চোল্লকপা, এসোসিয়েসনগীনি হায়দুনা শিকি অমত্তসু কৎলুগনি খঙদবশিংনা অয়াম্বনি।

অন্দর সভেন্টিন ফুটবোল ৱর্ল্ড কপতা মীতৈ মচা নিপান য়াওরে খন্না মথুম-মরাং হৌনরিঙৈ, জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া'না শিনবা সব-জুনিয়র নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ' (সেপ্তেম্বর ৩০-ওক্টোবর ৪, ২০১৭), ৱারনগল'দা পাঙথোকখিবদুদা, মণিপুরগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা কাঙলুপ অনীমক্না চেম্পিয়ন ওইদুনা, 'ওভরওল টিম চেম্পিয়ন' ওইরকপগী পাউ অমনা, সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা হায়বা থৌদৌ অদু ওইহনখি। নুপামচা অমদি নুপীমক্কী ৱেথ কেটাগোরি (অরূম্বা কাঙলুপ) তরানিথোই-নিথোই (১২/১২) দা, নাগালেন্দ অমদি সিক্কিম অনীখকসি য়াওদনা, ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অমনি। গোল্ড মেদল ১২ গীদমক লম্বা তৌনখিবা অদুদা মণিপুরগী নুপীমচাশিংনা গোল্ড মেদল ৬, ব্রোঞ্জ মেদল ৩ লৌরকখি; নুপীমচাগী কাঙলুপ্তুনা গোল্ড ৫, শিলভর ১, ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ১৭ লৌরকখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াখিবা প্লেয়র মশীংনা শুপ্নতগী ২২ (২৩ থারুবদা অমা শান্নবা য়াখিদবা)। সব জুনিয়র অমদি জুনিয়রগী থাক্তগী ইন্দিয়ন জুদো'দা মণিপুরগী লম্বা লৈরক্ত্রিবা ঙসিতগী নত্তে, মমাঙগী চহী কয়াদগীনি। অতোপ্পা ষ্টেট পূম্নমক্কী মীৎয়েং চঙফম, মরিপুরগী প্লেয়রশিংদনি। হরিয়ানা, পঞ্জাব, দিল্লি'না খ্বাইদই কল্লক্লা য়েংশিনবনি। গুজরাটকী কোচ রানা'না হংই ঐঙোন্দা - 'নখোয়গী ষ্টেট গভর্ণমেন্ট'না জুদো কোচিং/ত্রেনিংগীদমক লুপা কয়া থাদবগে'? অচুম্বা পাউখুম পীরুবা, ঈরৈবাক য়োন'গুম থোক্কনি। সিরিয়স ওইবা ৱারীনি, খুমদবসু য়াদবা। 'অপীকপা ষ্টেট বজেটনি, জুদোগী অখন্ননা কাইথোক্তে ... কোচিংগী শেল পীদ্র'সু ত্রেনীংগী খুদোংচাবদি পী অমত্তা ৱাত্তনা'... ওইদবনা অওই-শাবা পাউখুমদু থাজখি মহাক থম্মোয় শেংনা। ...'ঐ মণিপুরদা অমুক্তা কোয়রক্কে, নখোয়না পীবা ত্রেনিংদু অমুক্তা কূপ্না য়েংলগে ... ফোরেন কোচ, মোর্দন ত্রেনিং ইক্যিপমেন্টস, ৱর্ল্ড-ক্লাস জিম, মোদিনা সী এম ওইরিঙৈদই পীরক্লিবনি, লুপা ক্রোর চাদা খুজিং ওইরগা... পূম্নমকসিগী মথক্তা গুজরাটতা জুদো এসোসিয়েসনগী প্লেয়র-ত্রেনী-খুদিংমক্তা নোংমগী রিফ্রেসমেন্ট এল্লাৱেন্স লুপা ৩৫০/-... ময়ূম চৎথোক-চৎশিনগী বস/ত্রেন ভারা, হোষ্টেলদা লৈবা পাল্লগসু ফ্রী একোমোদেসন প্লস মন্থলি ষ্টাইপেন্দ ... পূম্নমকসি পীরসু মণিপুরী প্লেয়রগী মনাক নক'ঙমদ্রি'...। মঙগুম থোক্লবা ৱারীসি ফোরেন কন্ত্রি অমগী নত্তে। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী হোম ষ্টেট অদুগী ৱারীনি। পি এম অমা ওইরগা মীচং মীখায় নাইবরা? খল্লুবদু লাল্লমখি। মহাক্লা পি এম ওইদ্রিঙৈ, সী এম ওইরিঙৈ আ মমাঙথক্তইনি। হায়রম্বনি রানা'না। ঐখোয়গী সী এম নৎত্রগা স্পোর্টস মিনিষ্টর অসিনা গুজরাটকী মতৌ তম'ঙল্লবা, ইপা-ইপু-নোরোক তাগে মণিপুর ষ্টেট মথক্তনা ওলেম্পিক মেদল তেল্লি'দা সনাগী মেদল, লুপাগী মেদল, শেঙেংগী মেদল তরাদি শোয়দনা ইন্দিয়াগী হাপকৎকনি থাজবীয়ু।

অদুগা, ৱর্ল্ড কপগী থাক্তা কাখৎলক্লিবা ফুটবোল প্লেয়রশিং! মখোয়না ওলেম্পিক য়াওবা ঙমদ্রসু, গভর্ণমেন্টতা দিপেন্দ তৌদবা পুন্সি অমদি লেনজবা ঙম্লনি খল্লুবা, মদুইদমক্তি চাউথোকচৈ। অদুবু, নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ষ্টেট অসি, সন্তোস ত্রোফিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রবা ষ্টেট অমনি কাউগুমসি।

# হুমনি শুরে ইম্ফাল ইভনিংস

**সোরোক নোরেন**

**হৌখিবা** ওক্টোবর ২, ২০১৭কী শেংলবা নুমিদাংৱাইরমগী তাঞ্জাদুদা হৌদোকখিবনি। হৌদোকপগী থৌরম অদু ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর শ্রীনোংথোম্বম বিরেন্না থৌবু ওইরগা মাহুদ দিপার্টমেন্টকী থৌমী কয়ানা শরুক য়াদুনা হৌদোকখিবা ইম্ফাল ইভনিংসনি। থাংজ, নোংমাইজিংখক্তমক পাঙথোক্কনি হায়খিবনিনা অহৌবা নুমিৎতু থারগা নুমিৎ হুমনি শুরে ইম্ফাল ইভনিংস। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইম্ফাল ইভনিংস মকা লামলি। মীয়ামগী অপাম্বগী মায়কৈদা নোংমা নোংমগী চঙশিল্লক্লি। হায়রিবা ৱাফমসি কনাসু য়েৎনীংঙাই ওইদ্রে। মরমদি ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী থল্লিবা চৎন-কাঙলোন অসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬-৭ ফাওবনা ষ্টোল ওপরেটরশিংগী শেম শাবগী মতম, পুং ৭-১০ ফাওবনা মীয়ামগী পোত্থাফম হায়জরবসু নীনি চনবা, হুমনি চনবা নুমিৎতগীদি পুং ৬.৩০ তাফাত্রিঙৈদা মীয়াম্না চিক্না চাইনবা ঙমদনা তিনবা হৌরে। মসিনা চাউরবা খুদম হায়বদু ওইরোইদ্রা ইম্ফাল ইভনিংসপু মীয়াম্না পাম্নৈ হায়বসি।

হৌরকপদা মীয়ামগী মায়কৈদগী ওন্ন-তৈনবা ৱাহৈ কয়া তৎতনা হায়রকপা থেংনখিবনি। অদুবু হুমনি চনবা নুমিৎনা য়ৌশিল্লকপদা অহৌবা নুমিৎতগী হোংলক্লিবশিং অসি খরা মখৈদি মপূং ফারব্রা খল্লি। অহানবা নুমিৎতা গভর্ণমেন্টনা থমখিবা ষ্টোল মশীং অসি অপূনবা ১০২নি। রেজিষ্ট্রেসন তৌখিবনা ৯২ ওইরগসু অহানবা নুমিৎতা ষ্টোল ৫৬ তমক্লা ইম্ফাল ইভনিং শরুক য়াখিবনি। অদুবু হুমনিশুবা নুমিৎতদি ষ্টোল ৭৫গী মথক্তা শরুক য়াদুনা য়াম্না চাউনা অহোংবা পুরকখি। নাকল অমরোমদা লম্বী থিংবা-থিংদবগী মতাংদা কন্না হায়নখ্রবসু অহৌবা নুমিৎ অদুদি তঙাইফদনা চাংয়েং ওইনদা জোনষ্টোন মমাঙগী লম্বী অমদি জি এম হোল মপাদগী পি দব্লিয়ু দি মপা ফাওবদা কয়া য়াম্না মীয়ামদা খুদোংচাদবা হায়বদু য়েংলবা মতুং নীনি চনবা নুমিৎতগীদি মহৌশাগুম লম্বী থাদোকপা হৌরে। মমাঙদসু অমদি থমখি ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী চাংয়েংনি হায়দুনা। অদুগা পার্কিংগী মতাংদসু লাক্লিবা মীয়ামগী খুদোংচানবা হোৎনবদু লোইফাত্রিঙৈদা চৈননবা হেক্তা হোৎনরকপা চৈথেং কয়া ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদা ফংখিবদো খাংবা নত্তনা উপায় লৈখিদে। মীয়ামদি মীয়ামনি অমত্তনি। ইম্ফাল ইভনিংস য়েংবা লাকপীরিবা মীয়ামসু মীয়াম। পার্কিং মফম চাদে লাউবিরিবা কাঙবুসু মীয়াম। চৎনরিবা লম্বী থিংজিন্দুনা নাইট প্লাজা পাঙথোকই হায়দুনা পাউথোকপীরিবা মীয়ামসু মীয়াম। ইম্ফাল ইভনিংসপু শৌগৎপীদুনা ঙৈহাক পোত্থাবা লাকপীরিবা মীয়ামসু মীয়াম। লাকপীরিবা মীয়ামবু অশোয় অঙাম য়াওদনা ঙাক শেনবীরিবা পুলিস পার্সনেলশিংসু মীয়ামদুগী মীয়ামনি। মীয়ামগী খুদোংচানবা হোৎনদুনতা অহিং নুংথিল খাইদ্রিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী থৌমীশিংসু মীয়ামনি। অসিগুম্বা মীয়াম ময়াম অসিনা পূনশিল্লগা শেম্বা খুন্নাই অসিগী খজিক্তংদা ওইরবসু অতোপ্পা পুন্সিগী মহাও পীনবা হোৎনরিবা মীয়াম্বু মীয়াম খরনা লান্না লমজিংনবা হোৎনরিবা মীয়াম খরসি মখোয়সু মীয়ামনি।

হৌজিক্তি ঐখোয় পূম্নমক অমত্তনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না নীংশিংফম থোকই। ঐখোয় ময়াম অসিদগী মচেৎ তানবগী ৱাখল থাদোকমিন্নসি। অপূনবগী শক্তি শাগৎপদা ঐখোয় অমমমগী দায়ত্ব চাউই খনবা মতম ওইরে। ঙসিগী ফীভম অসি তানবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা কদায় ফাওবা ৱারমগনি ঐখোয় মীয়ামগী মায়কৈদগী খরসু খনফম থোক্তবরা। ঐখোয়গী অপূনবা পাঙ্গল লৈরে হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা খূৎশম্নদুনা থাঙ্গৎমিন্নরবতদা খঙগদৌরিবনি। মরম অদুনা ঙসি অনৌবা লৈঙাক্কী অনৌবা খোঙথাং ইম্ফাল ইভনিংস কনাগীদমক্তনো। নুমিদাং মপান থোকপা ঙমদনা নুমিৎ তাবগা থোং লোনশিন্দুনা অমম্বগী মহাও তংবদা খারবা মীয়ামগী পুন্সি অঙানবা মৈঙালগী মচু উবদা মীকুপ অমদি পোত্থারি। অদুবু মতাংসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু থমজনীংবা খরদি ইম্ফাল ইভনিংসতা লেঙবিরক্লিবা মীয়াম খুদিংমক্কী অপাম্বা অমদি নুংঙাইবগী মহাও তোঙান তোঙাল্লি। খরনা মৈঙাল য়েংবা লাকপগুম, খরনা ইম্ফাল ইভনিংসকী অনৌবা অচা অথক্কী মহাও তংনীংবগী, খরনা অঙানবা মৈঙালদা মীয়াম মরক্কী চৎপা নুংঙাইবা লৌনবগী মসি নত্তবা তোপ তোপ্পা মহাও খরগীদমক লাকপা অহল ওইরবা মীওই কয়া অমসু য়াওরি। মখোয়গী তশেংনা পোত্থাফম শিনবীনবা হায়বদি ফম্ফম লৈতবগী অৱাবা খরদি থেংনবগুম তৌই। মসিমতংগা লাক্লিবা মীয়ামশিং অসি কোন্ননবা শিনবা ঙমদ্রবসু মরাং খরা কাইরপ ওইনা ফম্ফম খরদা ওইরবসু শিনবীবা ঙম্লবদি হেন্না মশক থোক্কনি নীংই।

মমাঙদা ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগীদি ফোঙদোকপীবা থেংনখ্রে। মমাঙ থংবা ফুট পাথকী সাইদতা মীয়ামগী ওইবা ফম্ফমশিং থম্নবা হোৎনগনি হায়বা। অদুবু ঙসি ফাওবদি মীয়ামগী ফম্ফম থম্বীবা উদ্রি। মরুওইনা চৎপদা মঙম শান্দ্রবা অহল কয়ামরুম অমদি অপীকপা অঙাং কয়ামরুমসু য়াওরিবনা থম্বীগনি হায়রিবা ফম্ফমশিং অসি খরগা হেন্না থুজিন্নবা হোৎনহন্নীংই। অদুগা অমনা নাইট প্লজাগী ৱাহৌদোক ওইনা কংলা পার্ক্কী অশাংবা মরীন ঈশিংগী মফম অসিদসু মীয়াম্না হী তোংবগী খুদোংচাবা ফংগনি আশা তৌরম্বদুদি মঙ্গলান তারগা তোক্কদৌরিব্রা? মসিসু ৱাহং অমদি ওইনীংলি। করিগুম্বা তশেংনা হী নৎত্রগা মোটোর বোটকী খুদোংচাবা ফংগদৌবা লৈরবদি হৌজিক লৈরিবা কংলা পার্ক্কী মৈঙাল অসিনদি মপূং ফাগনি নীংদে। খরা হেনবা অঙানবা মৈগী খুদোংচাবা ফংহনবা মথৌ তারোইদ্রা। শেম্বা শাববুদি শেলগী মথৌ ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক তঙাইফদবা অমনি হায়নদি লৌফম থোকই। অমম্বা মরক অদুদা হী তোংনীংবগী লাংতক্লবনা ঙাওরবা মীয়ামগী খুদোংচানবা হোৎনবদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী রেপিদ ফোর্সশিংসু মরাং কায়না থম্বা মথৌ তারি। মচল শুবা ইম্ফাল ইভনিংস অমা ওইহনবা হায়বসি তরাই তরাইবদি নত্তে। মসি খঙনা ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী হোৎনবা লেপত্রি হায়বদি খরা উবা ফংলে। অদুম ওইনমক হায়নীংবা ঙাঙননীংবা মীগী মচিন্দি কনানা মেল্লুনি। মরুওইনা মীয়াম পূম্নমক্না হনখ্রবা ফাওবা অৱাৎ অপাগী শেম শাদুনা লৈহৌরিবা ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী অৱাবা করিগীসু উরোই। মশানা তবনি মখোয়গী মথৌগীদমক অহেনবা মতমনা পুন্দুনা থল্লি হায়বসি লেঙবীরক্লিবা পূম্নমক্না খরদি অখঙবা য়াওরিবনি।

ইম্ফাল ইভনিংসপু মশক থোক্লা উহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী লোইশঙ কয়া খূৎশম্নবগী মনুংদা তঙাইফদবা খরদং পনবা তারবদি মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ, পি দব্লিয়ু দি, টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট, পুলিস দিপার্টমেন্ট, ত্রাফিক, য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস, দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী লোইশঙ খরা অসিদি থাদোক্লবা য়াদবা মায়কৈ মায়কৈ ঙাক্নদুনা মপূং ফানবা হোৎনরিবা ঙসিগী ইম্ফাল ইভনিংসনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা হুমনি চনবা নুমিৎকী লোইরকপা ফাওবদা লৈরিবা ইম্ফাল ইভনিংসকী মপুন্সি চাওদম থীবা হায়বদুদি য়াদ্রি। হেন্না মপাঙ্গল লৈরি। মায়কৈ অমমম পুদুনা মপূম শাগৎলিবা ইম্ফাল ইভনিংসকী থৌরম পরেংদা য়াওরিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী কাঙবুবুসু থাগৎতবা য়ারোই। পুলিস পেট্রোলিং চৎলিবা নহারোল ওফিসারশিং অমদি মখা থাবশিং মখোয়সু মীচম পুন্সিনি হায়বদু ঙসিগী ইম্ফাল ইভনিংসনা উৎলি। জিন খোঙগ্রাউ অমগা ব্লেক টি সার্ট অমুবা অমমমগা নঙ্গন্দা পুলিস হায়না থাবদুনা হেন্না মশক থোক্লি হায়নীংই। মীয়াম মরক্তা অকি অখঙ লৈতনা চৎমিন্নবগী নুংঙাইবা ফাওহল্লিবা য়াম্না ফজবা অনৌবা পুলিসকী কলচরবু থাগৎনীংই। ইচম চম্বা কান্দনা তুংদা পুলিস থারিবা অদু উহৌদ্রবদি মীচম, করিগুম্বা পুলিসকী মথৌ তারকপা মতমদনা পুলিসকী থৌনা মসিমদি থাগৎতবা ঙল্লোই। মসিনসু হেন্না মীয়ামগা পুলিসকগী অচেৎপা মরী লৈরক্কনি থাজে। পুলিসতা নত্তনা অতৈ পূম্নমকসুনি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনবু কাউথোকপা য়াগদ্রা ইম্ফাল ইনভিংসতা। মখোয়গী য়াম্লবা ৱার্করশিংনা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং খাইদনা হোৎনবিবগী মপান্না নৎত্রা ঙসি ইম্ফাল ইভনিংসনা চাওথোকচরিবা। নুমিদাংদনা নাইট প্লাজা, অয়ূক্তনা অচিনবা লম্বৈল ওইহল্লিবা কনাগী মপান্ননো? মখোয়না শিৎ শেংবিদ্রবদা নাইট প্লাজা মশক থোকখিগদ্রা? ইম্ফাল ইভনিংসতা অচৌবা রোল লৌবিরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্করশিংবু তৌবিমল খঙবা উৎচরি। প্লাজা তৌফমনি অমদি অচিনবা লম্বীগী খেন্নবা উহন্দবমখৈ হোৎনবিরিবা পূম্নমকপু অমুক্লা হন্না থাগৎচরি।

ঙসি চাউরবা লৈবাক অসিনা স্বাছ ভারত মিসনগী পাউজেল পুদুনা চঙশিল্লিবা অচৌবা খোঙথাং অসিদা অসিগুম্বা ৱার্করশিংগী মথৌনা হেন্না ময়েক শেংলক্লি। অপীকপা থবক, অচৌবা থৌদাং পুবিরিবা ম্যুনিসিপাল ৱার্কর পূম্নমকসি ঐখোয়গীদি অশেঙবা লননি। ইম্ফাল ইভনিংস ইচম চম্বা কুম্মৈ মখল অমা নত্তে। মশাগী চপ চাবা চৎন কাঙলোন অমা থম্নবা হোৎনরিবা চাওরবা থৌদোক মখল অমনি নুংঙাইবগী। মীয়ামগী অৱা পোত্থানবা শেল্লিবা। ফুদ ষ্টোলশিং ফুদ সিক্যুরিটিগী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌদুনা ফল্লিবা ষ্টোল ঙাক্তনি। ফুদ ষ্টোলশিংদা শীজিন্নরিবা কুককিং গ্যাস, দোমেষ্টিক গ্যাস শীজিন্নবা য়াদে। কমর্সিএল গ্যাস শীজিন্নগদবনি হায়বগী পান্দম ঙাক্লা চৎলি। অচা অথক তরু-তনান্না থম্বগী পান্দম অমদি মতম মতমগী ফুদ সিক্যুরিটি ওফিসারশিংনা চ্যেক তৌদুনা অশোয়বা কয়া চুমথোক্লবা হোৎনরি। নীনি শুবা নুমিৎতা ফুদ সিক্যুরিটি ওফিসার নুপী অমগা মরুওইবা মাহুদকী ওফিসার খরগনা চৎমিন্নবা খোঙচৎ অমদা ষ্টোল অমগী চিঞ্জাকশিং সব ষ্টেন্দর ওইরম্বদগী মখা তানা ষ্টোল ফমদনবগী অথীংবা থমখ্রে। লোয়ননা হুমনিশুবা নুমিৎতনা মীয়ামগী খুদোংচানবা পার্কিংগী এজেন্ট অমনা পীরিবা অরেপ্পা মমলদগী হেন্না লৌরম্বগী মখা তানা পার্কিং ফী লৌদনবগী অথীংবা থমখ্রে। মসিদা নত্তনা এজেন্ট অদুগী সিক্যুরিটি দিপোজিৎ অদুসু চৎন-কাঙলোন ইন্দবগী লৈঙাক্লা মৎলে হায়দুনা লাউথোকখ্রে। অসুম্না ইম্ফাল ইভনিংসপু মশক থোক্লবা হোৎনবদা পূম্নমক্কী পুকচেল শেংবা চঙই। ঐখোয় পূম্নমক্কী অচম্বা অশেঙবা থম্মোয় ময়ামদুনা লৈবাক অসি ইংনা তপ্পা শান্তি ওইবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি।

ঙসি ইম্ফাল ইভনিংসকী হুমনি শুবা নুমিৎকী পাউদমদা থমজরিবা ৱাফম খরা অসি ঐখোয় পূম্নমক্না অমতা ওইনা লেপমিন্নবগী তাঞ্জা অদু লৌমিন্নসি হায়জরি। লাকপীরিবা মীয়াম্নসু অমোৎ-অকায়, অচা অথক্কী মকুশিং আই এম সীনা মরাং কায়না থমজরিবা দসবিন্দা থাদবিরম্ন বা হোৎনবীয়ু। মসিনা নুমিদাং অথেংবা ফাওবা নাইট প্লানাগী মফমবু প্লাজা তৌখি হায়বা খঙদনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইননবা। পূম্নমক্কী অপূনবা পাঙ্গল থৌনানা মণিপুরগী অহানবা ইম্ফাল ইভনিংস মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি।